## সেটর্নগী থা টাইটনগী লৈঙোইশিং ইলেক্ট্রিক চার্জ পুই

ন্যু য়োর্ক, মার্চ ২৮ :

প্লানেট সেটর্নগী খ্বাইদগী চাউবা থা টাইটনগী লৈমায় কুপ্লিবা পার্টিকলশিং ‘ইলেক্ট্রিকেল্লি চার্জ ওই’ হায়না চাংয়েং অমগী রিজল্টশিংনা উৎখ্রে।

নেচর জিওসাইন্স হায়বা জর্নেলদা ফোঙবা ফাইন্দিংশিং অদুনা ওদ ফিনোমিনন অমা ওইনা লৌনবা টাইটনগী লৈমায়দা শিৎলিবা নুংশিৎশিং নোংপোক্তগী নোংচুপলোমদা হুন্নবসু থা অদুদা লৈরিবা ফুট ৩০০ লোম ৱাংবা লৈঙোইগী দ্যুনশিং অদুদি ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা ওইনা শেন্নবগী মওং লৈরিবদু এক্সপ্লেন তৌবদা মতেং তৌবদা মতেং পাংলবা য়াই হায়রি।

‘ইলেক্ট্রোষ্টেটিক ফোর্সশিং অসিনা ফ্রিক্সনগী লিমিটশিং হেনগৎহল্লি’ হায়না ষ্টদি অদুগী লিদ ওথর জোস মেন্দেজ হার্পরনা ফোঙদোকখি। হার্পর অসি য়ু এসকী জোর্জিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি জোর্জিয়া টেক) কী সাইন্টিষ্ট অমনি।

‘মসিনা লৈঙোই মরুশিং অদু অমগা অমগা নপশিন্নবা ঙম্নবগী মতিক ময়াই চেল্লক্তুনা য়াম্না শাফু কনবা নুংশিৎ নত্তনা লেঙহনবা ঙমদে। হৌজিক শিৎলিবা নুংশিৎশিং দ্যুনশিংগী মশক মওংশিং হোংদোকপা ঙম্নবগী চাং য়ৌনা কনদে হায়না মেন্দেজ হার্পরনা হায়খি।

# নোংলৈ-নুংশিৎ দেবি নোর্থ ওষ্ট্রেলিয়াদা শাফু কন্না শিৎচিনখ্রে, মীওই কয়া ময়ুম-মকে থাদোক্লখ্রে



সিদনি, মার্চ ২৮ :

ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বীন্সলেন্দ ষ্টেটকী অৱাং ইথং-থংবা শরুক্তগী ত্রোপিকেল সাইক্লোন দেবিনা শাফু কন্না শিৎচিল্লকখিবগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী অৱাংনোংপোক লমদমগী ঈশিং খোংবানশিংদা অকনবা নুংশিৎশিংনা কিনিংঙাই ওইরবা মখোলগা লোয়ননা য়ৈখ্রে, নোং কন্না চুখ্রে অমসুং ঈথক-ঈপোমশিংনা কন্না য়ৈখ্রে লোয়ননা পৱার লাইনশিং তৎহন্দুনা মীওই লিশিং কয়া মৈ ফংহনখিদ্রে হায়রি।

মপাঙ্গল লৈরবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা ঈশিংদগী কংফাল য়ৌরকখিবগা লোয়ননা মালেমদা ফাওরবা গ্রেট বেরিয়র রীফ পরিংগী টুরিষ্ট রিজোর্টশিংদা নুংশিৎশিংনা পুংদা কিলোমিটর ২৬০ দগী হেনবা ফাওবগী চাংদা শিৎচিনবা য়াওখি। নুংশিৎকী শাফু অদু খ্বাইদগী খুদোংথীনিঙাই ওইবা নুংশিৎকী খোঙজেলগী লেভেলদগী অমত্তমক হন্থদুনা কেটেগরি মরিদা লৈখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশোক-অপন থোকপগী পাউ ফংদ্রিবা ওইরবসু নোংলৈ-নুংশিৎ অদু খা-নোংচুপ পাংনা তপ্না শিৎখি হায়রি। ৱেদর ফোরকাষ্টরশিংনা সাইক্লোনগী কনি দসনশিং পুং ২৪ ফাওবা শাংনা লৈবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

‘মসি য়াম্না লাংবা নুংশিৎনি - পোৎ-চৈ পুবা ত্রেন অমা চেল্লকপগা মান্নবা মখোল হৌনা শিৎলকখি’ হায়না জান ক্লিফোর্দনা ষ্টেট কেপিটেল ব্রিসবেনগী অৱাং নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৯৫০ রোম লাপ্পা লৈবা এয়র্লি বীচতগী রোইটর্জদা ৱাহৈনা ইদুনা ফোঙদোকখি।

ওথোরিটিশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অনেম্বা মফমশিংদা লৈবা মীওই লিশিং কয়াদা মখোয়গী ময়ুমশিং থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চেন্নবা খঙহনখি।

মদু কুম্মজা ১৯৭৪ গী খৃষ্টমাস নুমিৎতা সাইক্লোন ত্রাসিনা নোর্দন সিটি দার্ৱিনদা অমাঙ-অতা থোকহনখিবদগী খ্বাইদগী চাউবা মওংগী মী হোংদোকপগী থবক ওইগদৌরিবনি হায়রি।

সাইক্লোন দেবিনা লোকেল মতমদা নুমিৎ য়ুংবা মতুং ঙাইহাক লৈরগা কংফাল য়ৌদুনা এয়র্লি বিচতা হিট তৌখিবা মতমদা টেলিফোন সার্ভিসশিং ফেল ওইহনখি।

নোং কন্না চুবগা লোয়ননা লম্বীশিং ঈশিং থুমজিনখি অমসুং নুংশিৎনা থোংনাউশিং থুগায়খি, উ কয়া মরা ফূকখি, লম্বীশিং অতেক-অকায়গী পোৎশিংনা ৱাই চাইখি। নাইন টেলিভিজন নেটৱার্কতা ব্রোদকাষ্ট তৌখিবা পিকচরশিং অদুদা এয়র্লি বিচ মরিনাদা লৈবা জেট্টিশিংসু অতেক-অকায় থোকপা উখি।

বোৱেন অমসুং মেকে টাউনশিং, এয়র্লি বিচকী অৱাং অমসুং খাগী মরক্তগী লৈরিবা পাক চাউরবা এরিয়াগী মীওই ৩৮,০০০ মৈ ফংহনখিদ্রে হায়না য়ুটিলিটি এগোর্ন ইনর্জিনা ফোঙদোকখি।

## ‘পার্টনরশিপ্তা চাইনা য়াওহন্দবনা ইন্দিয়াগী কান্নবা পুরক্লোই’

বৈজিং, মার্চ ২৮ : ইন্দিয়াদা হায় স্পীদ ত্রেন প্রোজেক্টশিং পায়খৎপগী পার্টনরশিপ্তা চাইনাবু য়াওহন্দবা হায়বসি ইন্দিয়াগী ওইনা কান্নবা শিংকনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চাইনাগী পাউচে অমনা হায়খ্রে।

গ্লোবেল টাইমসকী এদিটোরিয়ল অমনা হায়খি, ইন্দিয়ানা প্রোটেক্সনিষ্ট থৌওংশিং উৎপসি থাদোক্কদবনি, মরমদি মসিনা লৈবাক অসিনা (ইন্দিয়ানা) হায় স্পীদ ত্রেনশিং পান্বা মতমসিদা শেল-থুম, চাউখৎপগী হীরমদা অকায়বা পীগনি। ‘ষ্টীল রেলশিং শাবা অমসুং ত্রেনগী টেক্নোলোজিগী লমসিদা চাইনানা ইন্দিয়াগী তঙাই ফদবা লৈবদগী ইন্দিয়ানা চাইনাগী তঙাই ফদবা লৈবনা হেল্লি’ হায়না চাইনিজ দেলিগী এদিটোরিয়ল অদুনা হায়খি।

‘ইন্দিয়ানা চাইনাগী মায়োক্তা খুউ শেনবগী থৌওং চথদুনা লাকপগা লোয়ননা জপানবু লৈবাক অসিগী মথং চহী ২০১৮ দগী হৌরগনি হায়না পানরিবা অহানবা হায় স্পীদ রেলৱে প্রোজেক্টকী পার্টনর অমা ওইনা খনখি।’

অদুম ওইনমক চাইনাবু অতৈ বুলেট ত্রেন প্রোজেক্টশিংগী পার্টনরশিপশিং শেন্নদা য়াওহন্দবসিনা ইন্দিয়াদা কান্নগদবনি নত্তে। করিগুম্বা ইন্দিয়ানা মসিগী রেল নেটৱার্ক ফগৎহনবা পাম্লবদি নৎত্রগা হায় স্পীদ ত্রেনশিং পুশিনবা পাম্লবদি চাইনাদা ৱাখল তানা য়েংগদবনি হায়না পাউচেদুনা ইন্দিয়াদা পাউতাক পীখি হায়রি।

## বাংলাদেশতা তুরেলদা ফেরি লূপ্পদা মীওই চা কয়া শিখ্রে

ধাকা, মার্চ ২৮ :

বাংলাদেশকী খা থংবা শরুক্তা হৌখিবা অহিংদা শিৎলকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমগী মরক্তা পেসেঞ্জর ৫০০ রোম তোংবা ফেরি অমা লূপখ্রে অমসুং ওফিসলশিংনা থৌদোক অদুদা মীওই চা কয়া শিরম্লগনি নৎত্রগা তুরেলগী অকনবা ঈরৈশিংনা চেন্থরম্লগনি হায়বগী অকিবা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওই খরনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা ফেরি অদু মী কা হেন্না তোংখি হায়না ক্লেম তৌখি অমসুং অকনবা নুংশিৎনা মদুবু নাকল অমদা চেপথহন্দুনা ঈশিংদা লূপহনখিবনি হায়খি।

দাইভরশিংনা ঙসি নুপী অমা অমসুং অঙাং অমগী হকচাংশিং থেংনখি অমসুং মেঘনা তুরেলগী ঈরৈ কল্লবা ঈশিংদগী হিংহৌবা মীওই ১০০ রোম লৌখৎখি।

পাউমীশিংনা থৌদোক থোকফমদুদা কপ-লাউরিবা নুপা-নুপী কয়ানা তুরেল তোৰ্ব্বানদা হিংহৌবশিংগী মরক্তগী মখোয়গী মীওইশিং থিনবা নৎত্রগা মাংখিবশিংগী পাউ লৌনবা হোৎনবা উখি।

‘ফেরি অদুদা মীশিংনা কেপাসিটিদগী হেন্না তোংশিনখি’ হায়না মোহম্মদ অলতাফ কৌবা মশাগী চহী ৪০ শুরবা মীওই অমনা হায়খি।

‘মমশিল্লক্লবা মতমদা ঐখোয়না ফেরিদুগী মী চিনবা মথকথংবা দেক্কী শরুক্ত ফমখি। অহানবদা নোং খরা চুরম্বদগী অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎলকখি অমসুং ফেরিদুবু নাকল অমদা পৈথহনখি।’

ফম্পাক অহুম লোংবা এম ভি সালাউদ্দিন - ২ কৌবা ফেরি অদু কেপিটেল ধাকাদগী পাটৌখালি তম্না চৎপদা হৌখিবা অহিং নোংয়াই ময়াদা ঈশিংদা লূপখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। মদু ধাকাগী খারোমদা মাইল ১০০ রোম লাপ্পা লৈবা রুরেল এরিয়া অমা ওইরিবা সটনলগী মনাক্তা লূপখিবনি হায়রি।

ফেরিদু ঈশিংদগী লৌখৎলবা মতমদা শিখিবশিংগী মশিং চা কয়া য়ৌবা য়াই হায়না ওফিসলশিংদুনা হায়খি।

## মালেমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং থিংনবগী মতাংদা পাঙথোকপা কনফরেন্সতা ইন্দিয়া য়াওখিদ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, মার্চ ২৮ :

চহী ২০ হেনবগী মনুংদা পাঙথোকপা মালেমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থিংনবগী অহানবা য়ু এনগী কনফরেন্সতা ইন্দিয়া শরুক য়াখিদ্রে। মালেমগী অচৌবা ন্যুক্লিয়র পৱারশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকচরবসু কনফরেন্স অদু য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ঙরাংদগী হৌখ্রে।

হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদা মালেমগী লৈবাক ১২০ দগী হেনবনা মালেমদগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং মপুং ফানা মুথৎনবগী পান্দমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং থিংনবগী লোনা য়াবা ত্রিটি অমা পুথোকপা য়ানবা মওংদা কনফরেন্স অমা কৌননবা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা তাখিবা রিজোল্যুসন অমা শৌগৎলদুনা ভোট পীখি।

বৃটেন, ফ্রান্স, ইজরেল, রসিয়া অমসুং য়ু এসনা রিজোল্যুসন অদুগী মায়োক্তা ভোট পীখি। চাইনা, ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানদি রিজোল্যুসনদুগী মতাংদা ভোট লৌনবদুদা য়াওখিদে।

মালেমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় থিংনবগী অহানবা মশক থোকপা য়ু এনগী কনফরেন্স অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতগী য়ুনাইটেদ নেসন্সতা হৌখ্রে।

রিজোল্যুসন অদুগী মতাংদা ভোট লৌনবদা শরুক য়াদবগী মরম ওইনা ইন্দিয়ানা মসিগী এক্সপ্লেনেসন ওফ ভোট (ঈ ও ভি) দা হায়খি মদুদি, পাঙথোক্কদৌরিবা কনফরেন্স অদুনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিনা মতম শাংনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং মুথৎনবগী মপুং ফারবা ইন্সট্রুমেন্ট অমা পুথোকপা পাম্লকপদু কোকহনবা ঙম্লগনি হায়বসি লৈবাক অসিনা (ইন্দিয়ানা) চপ চানা থাজবা ঙমদে।

জিনেভাদা পাঙথোকপা কনফরেন্স ওন দিসার্মামেন্ট (সি দি) না সিঙ্গল মল্টিলেটরেল দিসার্মামেন্ট নিগোসি-য়েসনগী ফোরম ওইফম থোকই হায়নসু ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখি।

কোম্প্রিহেন্সিভ ন্যুক্লিয়র ৱেপন্স কনভেন্সন অমগা মরী লৈননা চথবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় মুথৎনবা নৎত্রগা হন্থহন্নবগী কনফরেন্স অমা খুৎলায় থিংবা অমসুং মুথৎপগী ৱাফমগী মথক্তা ভেরিফিকেসনগী ৱাফম খন্নবসু য়াওরগা পাঙথোকপা পামই হায়নসু ইন্দিয়ানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক চৎনরিবা প্রোসেসতা ভেরিফিকেসনগী এসপেক্ট য়াওদে হায়রদুনা মালেমদগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং মুথৎপদা ইন্টরনেসনল ভেরিফিকেসন অসি য়াম্না তঙাই ফদনা চঙই হায়না ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখি।

## রসিয়ানা মতাং-মতাংগী য়েংদুনা ইরানগী মিলিটরি বেজশিং শীজিন্নবা য়াগনি : ইরান ফোরন মিনিষ্টর

মোস্কো, মার্চ ২৮ :

মতাং-মতাংগী ওইনা খন্নরগা রসিয়ানা সিরিয়াদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা এয়র ষ্ট্রাইক পাঙথোকপদা ইরানগী মিলিটরি বেজশিং শিজিন্নবা য়াগনি হায়না ইরানিয়ন ফোরন মিনিষ্টর মোহম্মদ জভাদ জরিফনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রোইটর্জদা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়া অমসুং ইরান অনীমক সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকী মরু ওইবা মীচংশিংনি অমসুং সিরিয়াগী লালগী মায়ওন অশাদকী অপাম্বা মওংদা লাকহনখিবদা লৈবাক অনীনা হৌখিবা থা ১৮ অসিদা অচৌবা থৌদাংশিং লৌখি।

হৌখিবা কালেনদা ইরানগী এয়র বেজ অমা শীজিন্নদুনা রসিয়ন জেটশিংনা সিরিয়াদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী টার্গেটশিংদা এটেকশিং চথখি। মদু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্চাউগী মতুংদা ফোরন পৱার অমনা ইরানিয়ন বেজ শীজিন্নবা অহানবা ওইখি।

অদুম ওইনমক, ইরানিয়ন লোমেকর খরনা খোঙথাং অদু মপানগী পৱারনা ইরানগী মিলিটরি বেজশিং শীজিন্নবদা অথিংবা থম্লিবা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন খোঙ্গাউনবগী থৌওংনি হায়না কন্না ফোঙদোক্লরকপদগী বেজ অদুদা রসিয়ন মিলিটরি এয়রক্রাফট দিপ্লোই তৌবদু য়াম্না থুনা লোইশিনখি। মতমদুদা ইরানগী দিফেন্স মিনিষ্টরনসু মোস্কোবু এরেঞ্জমেন্ট অদু পব্লিসাইজ তৌবগীদমক্তা চৈ থাংখি।

‘ইরানদা রসিয়াগী মিলিটরি বেজ অমত্তা লৈতে, ঐখোয়না মতাং-মতাংগী ওইনা য়েংনরগা কোওপরেসন পীনৈ। রসিয়নশিংনা টেররিজম থেংনবদা ইরানগী ফেসিলিটিশিং শীজিন্নগে হায়রক্লবদি ঐখোয়না মদু খন্নরগা ৱারেপ অমা লৌগনি’ হায়না জারিফনা ফোঙদোকখি।

জরিফ অসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা মোস্কোদা থুংলখিবা প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা লুচিংবা ইরানিয়ন দেলিগেসন অমদা য়াওরিবনি।

## চাইনানা খুৎশেমগী ঈথৎশিংদা অপাম্বা মতমদা ৱার প্লেনশিং দিপ্লোই তৌবা ঙমই : থিঙ্ক টেঙ্ক



ৱাশিংটন, মার্চ ২৮ :

সাউথ চাইনা সিদা চাইনানা শেমগৎ-শাগৎখিবা খুৎশেমগী ঈথৎশিংদা লৈবাক অসিনা পায়খৎপা মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎপগী মরু ওইবা থবকশিং অয়াম্বনা লোইশিনখ্রে অমসুং লৈবাক অসিনা হৌজিক ঈথৎশিং অদুদা কম্বেট প্লেনশিং অমসুং অতৈ মিলিটরি হার্দৱ্যের অপাম্বা মতম অমদা হেক্তা দিপ্লোই তৌবা ঙম্লগনি হায়না য়ু এসকী থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাশিংটনগী সেন্টর ফোর ষ্ট্রেটেজিক এন্দ ইন্টরনেসনল ষ্টদিজগী শরুক ওইরিবা এসিয়া মরিটাইম ত্রান্সপরেন্সি ইনিসিয়েটিভ (এ এম টি আই) না হায়খি, স্প্রাটলি ঈথৎশিংদা লৈবা ফিয়েরি ক্রোস, সুবি অমসুং মিসচিফ রীফশিংদা পায়খৎলিবা থবক্তুদা নেভল, এয়র, রাদর অমসুং দিফেন্সিভ ফেসিলিটিশিং য়াওখি।


থা অসিদা সেট্টলাইটশিংনা লৌখিবা ইমেজশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা থিঙ্ক টেঙ্ক অসিগী দিরেক্টর গ্রেগ পোলিংনা হায়খি মদুদি, ফিয়েরি ক্রোস অমসুং সুবিদা অনৌবা রাদার এন্টেনা কয়া ইন্সটোল তৌখ্রে।

‘মরম অদুনা পংকুই কুইদবা মতমগী মনুংদা ঈথৎশিং অদুদা মিলিটরি দিপ্লোইমেন্টকয়া উবা ফংলগনি’ হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা চাইনিজ প্রেমিয়র লি কেকিয়াংনা য়েৎনরিবা ঈশিং লম্বীদা নিংতম্না নেভিগেসন তৌবা য়াহন্নবগীদমক্তা ঈথৎশিং অদুদা দিফেন্স ইক্বিপমেন্ট থমখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু সাউথ চাইনা সিদা লৈবাক অসিনা মিলিটরি পাঙ্গল শাগৎলে হায়বা য়ু এসকী চার্জশিংবুদি বৈজিংনা য়াখিদ্রে।

পেন্টাগোনগী স্পোক্সমেন অমা ওইরিবা কম্মান্দর গেরি রোসনা এ এম টি আইগী রিপোর্ট অদুদা পল্লিবা তাংদাংবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে। মহাক্না সুপ্নগী ইন্টলিজেন্সকী মতাংদা দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা কম্মেন্ট পীবসি হান্নদগী চৎনরক্তে হায়খি।

## হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টরনা শান্নবদগী নেপালদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা লৈরি



দখল (মোরোকো), মার্চ ২৮ :

কন্সটিট্যুসন শেমদোক্লবা মাধেসতা বেজ ওইবা পার্টিশিংনা তৌবা দিমান্দশিং থুংহন্দবদগী নেপালদা পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা ফীভম মখা তানা লৈবগা লোয়ননা মশক নাইবা নেপালি পোলিটিস্যান খরনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অপুম্বদু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর কেপি শর্ম্মা ওলিনা ফজদবা মওংদা শান্নবদগীনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মখেয়গী মতুং ইন্না তৌগদবা থবক কয়াদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা অপনবা, অয়েৎপা পীবদগী লৈবাক অসিদা পোলিটিকেলগী মথোং মরম খঙদবা চরাংনবা ফীভম লাকখিবনি।

‘কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী ৱাফম অসিদা ওলিনা হৌজিকসু অপনবা পীদুনা লৈ। হৌজিক মহাক পৱার পায়দ্রবসু মহাক্না হান্নগী গেম প্লান অদু মখা তানা শীজিন্নদুনা শান্নরি। হৌজিক হৌজিকমক কেপি ওলিনা প্রসিদেন্ট ওইবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ নেপাল (য়ুনিফাইদ মার্ক্সিষ্ট লেনিনিষ্ট) না পোলিটিকেল এগজিট পুম্নমক থিংজিন্দুনা লৈরে’ হায়না টেরাই মাধেশ দেমোক্রেটিক পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি সরভেন্দ্রা গাঠ সুকলানা মোরোকোদা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অমগী নাকোয়ননা আই এ এন এসতা ফোঙদোকখি।

নেপালি কোংগ্রেসকী এম পি অনন্দ প্রসান্দ ধুঙ্গানানা ‘ওলিনা ফজদবা পোলিটিকেলগী গেম অমা শান্নরে’ হায়খি। নেপালগী রুলিং কোলিসনদা নেপালি কোংগ্রেসসু য়াওরিবনি।

‘জর্মনি খায়দোকখিবগুম্না নেপালবু হৌজিক অলত্রা নেসনলিষ্টশিংনা খায়দোক্লবা হোৎনরে। ঐখোয়না কন্সটিট্যুএন্ট এসেমব্লিনা কন্সটিট্যুসনবু য়াহন্দুনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লম্বীদা চৎহনবা পামই। তৌইগুম্বসুং য়ু এন এল (ওলিগী পার্টি) না খায়বুং-খায়বুং তহন্নবা শিনবা পামই’ হায়না নেপালি পোলিটিস্যান অসিনা ক্রান্স মোন্টানা ফোরম য়াওবা লাকপদা নাকোয়ননা হায়খি।




## EMPLOYMENT NEWS

### Delhi Public Library – DPL Recruitment – 22 Multi Tasking Staff Vacancy – Last Date 60 Days from the Date of Publication

**DPL Recruitment 2017**

Delhi Public Library (DPL) invites Application for the post of 22 Multi Tasking Staff. Apply before 60 Days from the Date of Publication. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**DPL Job Details :**

Post Name : Multi Tasking Staff
No. of Vacancy : 22 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1800/-

**Eligibility Criteria for DPL Recruitment :**

Educational Qualification : Senior Secondary or equivalent from a recognised Board/ Institute or Certificate/ Diploma Library and information Science.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 25 years

**Job Location : Delhi**

**Selection Process :** Selection will be based on Test/ Interview.

**Application Fee :** There is no application fee.

**How to Apply DPL Apply :**
Interested candidates may apply in application along with their CV & self attested photocopies of all relevant documents, experience & recent passport size photograph send to Dy. Director (Administration), Delhi Public Library, S.P. Mukherjee Marg, Delhi-110006 on or before 60 Days from the Date of Publication.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 60 Days from the Date of Publication.

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application form Link : https://drive.google.com/file/d/0B9QbS8bqHYWwTC11MjdBMU5wT3M/view

### University of Delhi Recruitment – 15 Junior Assistant, Multi Tasking Staff & Various Vacancies – Last Date 15 April 2017

**University of Delhi Recruitment 2017**

Delhi University (Kirori Mal College) invites Applications for the post of 15 Junior Assistant, Multi Tasking Staff & Various Vacancies on Permanent basis. Apply before 11 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**DU Job Details :**

Post Name : Junior Assistant
No of Vacancy : 05 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1900/-

Post Name : Multi Tasking Staff
No of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1800/-

**Eligibility Criteria for University of Delhi Recruitment :**
Educational Qualification :

For Junior Assistant : A Senior Secondary School Certificate (+2) or its equivalent qualification from a recognized Board / University / Institution with at least 50% marks or a Graduate from a recognized University, and Diploma / Certificate of minimum 6 months duration in Computer Applications / Office Management/ Secretarial Practice / Financial Management / Accounts or equivalent discipline or Graduate Degree in Computer Application / Office Management / Secretarial Practice / Financial Management / Accounts or equivalent discipline from a recognized University.

For Multi Tasking Staff : Passed 10th or equivalent examination from any State Education Board or Government recognized institution. Certificate in Library Science/Library & Information Science from a recognized Institution.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 27 years

**Job Location : Delhi**

**Selection Process :** Selection will be made on through written test & interview.

**Application Fee :** UR/OBC Candidates have to pay Rs.250/- through demand draft in favour of Principal, Kirori Mal College. No Fee for SC/ST/PWD/Women Candidates.

**How to Apply Delhi University Vacancy :**
Interested candidates may apply in prescribed application form along with self-attested copies of certificates, mark sheets, testimonials etc. & DD send by hand or by post to the The Principal Kirori Mal College University of Delhi, Delhi – 110007 on or before 11.04.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 11.04.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.kmcollege.ac.in/colleges/newsevents/1127250320171721091.pdf

**Download Application Form :** http://www.kmcollege.ac.in/colleges/newsevents/1127250320171005471.pdf